# ইম্ফাল ৱেষ্টনা থৌবালবু সন্দন দেথতা থোইরগা অহানবা ফাইনেল চংবা টিম ওইখ্রে



*ইম্ফাল, মার্চ ১৭ঃ* কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৩ শুবা ইন্টরদিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালবু সদন দেথতা গোল ১১–১০ দা মায়থিবা পীরগা অহানবা ফাইনেল চংবা টিম ওইখ্রে।

টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি থৌবালনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপিবা মতমগী মনুংদা টিম অনিনা গোল ২–২ চন্নদুনা মান্ননা লৈবদগী তাই ব্রেক্না মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পবগীদমক কাওনখিবদসু গোল অহুম অহুম চন্নবগা লোয়ননা ৫–৫ দা লৈনবদগী মখা তানা সদন দেথনা মেটচ অদুগী লাইবক লেপখিবনি। মদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা গোল ৬ অমদি থৌবালনা গোল ৫ চনখি। অপিবা মতম মনুংগী থৌবালগী গোল অনি অদু এম সুরেসকুমার অমদি ৱাই সুশিলনা ৩৫ অমসুং ৫৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোল অনিমক অদুনা পি মনিতোম্বনা ১২ অমদি ৬৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। তাই ব্রেক্কী থৌবালগী গোল অহুম অদু পিকে মুং, রোকি অমদি সুশিলনা চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোলশিং অদুনা তোনসোম্বা, এলেক্স মুং অমদি হেম্বনা চনখিবনি। সদন দেথকী থৌবালগী গোলশিং অদুনা প্রিকান্ত, সুরেসকুমার, লমজিংবা, থোইথোইবা অমদি জেমসন্না চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোলশিং অদুনা চিত্তরঞ্জন, জেকোব, কুবের, আর্নোল, রোমারিও অমদি তোনসোম্বনা চনখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী বিপিন, চিত্তরঞ্জন অমদি জেকোবতা রেফরিনা মথংশিংনা ২৯, ৩৭ অমসুং ৭৪ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি। এন ইবুঙো সিংহ, টিঐচ রাজু সিংহ, টিঐচ কিরঞ্জিৎ সিংহ অমদি এস ওনিলনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি। হয়েং নুংথিলগী পুং ২ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগা অনিশুবা সেমিফাইনেল মেটচ শান্নগনি।তাং ২০ দা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

# ৪ শুবা অমজু এন্যুয়েল স্পোর্টস মীট
## থৌদাং ফাইনেল চংখ্রে, অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নখিদ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ* ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না শীন্দুনা হৌজিক চথরিবা ৪ শুবা অমজু এন্যুয়েল স্পোর্টস মিট ২০১৪ গী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিত্তা লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফুটবোল মশান্নগীদা থৌদাং টিম ফাইনেল চংখ্রে। অনিশুবা সেমিফাইনেল মেটচ চয়েৎনবদগী শান্নখিদবগা লোয়ননা মেটচ অসি মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে।

টিম ৮ না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনা সনালৈবাকপু গোল ৫–০ দা , থৌদাংনা ইভিনিঙ্গরসপু গোল ৫–০ দা, পোক্নফম্না সঙাই এক্সপ্রেসপু গোল ২–০ দা অমদি হুয়েন লানপাউনা আই এস টি ভিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরগা সেমিফাইনেল চংখি।

হুইয়েন লানপাউ অমদি আই এস টি ভিগী মেটচ শান্নবা লোইরবা মতুংদা আই এস টি ভিগী টিম্না হুয়েন লাউপাউগী টিমদা ঈ পাউগী লমদা থবক তৌদবা শান্নরোই খরা য়াওই হায়দুনা শীল্লি লাংলিবশিংদা প্রোটেষ্ট তৌখি। হুয়েন লানপাউগী মায়কৈদগীনা আই এস টি ভিগী প্রোটেষ্ট অদু য়াখিদে।

টিম অনিগী চয়েৎনবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা মখা তানা অনিশুবা সেমিফাইনেল শান্নবগী– দমক শীল্লবসু চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদবদগী অনিশুবা সেমিফাইনেল মেটচ অদু শান্নখিদবনি। অহানবা সেমিফাইনেল মেটচতা থৌদাংনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চংখিবনি।



*অমজু এন্যুয়েল স্পোর্টস মীটকী ফুটবোল মশান্নগী ফাইনেল চংখ্রবা থৌদাংগী টিম*

## সওম্বুং জি পি লেভেল ফুটবোল

*ইম্ফাল, মার্চ ১৭ঃ* এস কে ৱাই সি সওম্বুং কবুই খুঙ্গাওনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা সওম্বুং জি পি লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিংদা প্রধান টিম, ৱার্দ নম্বর ৪ সওম্বুং কবুই খুঙ্গাও পার্ট –২, ৱার্দ নম্বর –১ সওম্বুং গেট অমদি ৱার্দ নম্বর–৩ সওম্বুং কবুই খুঙ্গাও পার্ট–১ মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্কী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা প্রধান টিম্না ৱার্দ নম্বর ৫ ইতম নুঙ্গোই পার্ট–১ বু গোল ৯–১ দা চাউনা মায়থিবা পীখি। প্রধান টিমগী গোলশিং অদু পাকপনা মরি, জেমসন্না অনি, লকিসন, রোনাল্ডো অমদি সঞ্জিৎনা অমমম চনখিবনি। ৱার্দ নম্বর ৫ গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রাজেন্না চনখিবনি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচতা ৱার্দ নম্বর ৪ সওম্বুং কবুই খুঙ্গাও পার্ট২ না ৱার্দ নম্বর ৮ নুঙ্গোই অৱাংবু গোল ৯–৩ দা মায়থিবা পীখি। ৱার্দ নম্বর ৯ গী গোলশিং অদু জেনপুনা না ৪, ধনঞ্জোয় অমদি মৈজিলুংনা অনি অনি অমদি অগাসিনা অমা চনখিবনি। ৱার্দ নম্বর ৮ গী গোলশিং অদুনা ৱাই রোবিন্সননা ২ অমদি এল নোরেন্দ্রোনা অমা চনখিবনি।

নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ সিগী মেটচতা ৱার্দ নম্বর ১ সওম্বুং গেটনা ৱার্দ নম্বর ৭ নুঙ্গোই লিটানবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। ৱার্দ নম্বর ১ গী গোলশিং অদু আই রবিনা ২, পি ইবোমচা, কে বিগ্যানন্দ অমদি ৱাই সুনিলনা অমমম চনখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা ৱার্দ নম্বর ৩ সওম্বুং কবুই খুঙ্গাও পার্ট ১ না ৱার্দ নম্বর ৫ ইতম নুঙ্গোই পাট ১ বু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি। ৱার্দ নম্বর ৩ গী গোলশিং অদু অনাপুনা ৩ অমদি অপাউরিন্না ২ চনখিবনি। ৱার্দ নম্বর ৫ গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন অমর্জিৎনা চনখিবনি।
















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*